## এন্টোনি ব্লিনকননা নেপালগী পি এমগা ৱারী শাখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):
যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকননা নেপালগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর সের বহাদুর দ্যুবাগা টেলিফোনগী খুত্থাংদা ৱারী শাদুনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা খন্নখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় নেথ প্রাইজনা ফোঙদোকখিবদা ব্লিনকননা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টেলিফোনগী খুত্থাংদা দ্যুবাগা ৱারী শাখিবনি। লুচিংবা অনীনা ৱারী শান্নখিবা অদুদা যু এস-নেপাল অনীগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়ননা নেপালদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ থানবগী মতাংদসু খন্নখি।

সেক্রেটরি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর অনীনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়ননা মালেমদা অচৌবা চৈথেং অমা পীবা হৌরক্লিবা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদসু খন্নখি। ক্লাইমেট চেঞ্জকা মরী লৈননা এনভাইরোনমেন্টেলিষ্ট কয়ানা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অদুবু কুপ্না মোনিটর তৌবগা লোয়ননা মতেং পাংনবগী মতাংদসু লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংনা খন্নখি হায়না ৱাঙাঙলোয় প্রাইজনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা যু এসনা নেপালদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ১.৫ হান্ননা তেংবাঙ পীখ্রে হায়রি।

## এগ্রিকলচরেল টাইকুন সন দাৰু ফাদোক পীখ্রে

বৈজিং, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):
চাইনিজ কোর্টঅমনা বিল্লিনিয়র অমসু ওইরিবা এগ্রিকলচর টাইকুন সন দাৰুবু ঙসি তোঙান তোঙানবা মরালশিংদা যুম্ফম ওইরগা চহী ১৮ গী জেল ফাদোক পীখ্রে হায়রি।

বৈজিং মনাক নক্লা লৈবা গৌবেদিয়ান কোর্টনা সনবু জেল ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা বিল্লিনিয়র অসিনা লৈবাক অদুদা তোঙান তোঙানবা অরানবা পাউশিংদা যুম্ফম ওইরগা মীয়ামদা ঈহৌ হৌহন্নবা হোৎনখি হায়বগী মরাল শীরি।

সন মমাং চহীগী নবেম্বর থাদা বৈজিং পুলিসনা ফাজিনখিবনি। কুমজা ১৯৮০ গী মতমদা সননা চাইনাদা মহাক্কী লোয়নবীগা লোয়ননা খ্বাইদগী চাওবা প্রাইভেট এগ্রিকলচর কম্পনি অমা লিংখৎপা ঙমখি। মহাক্লা লৈবাক অদুদা লৈরিবা থবক ফংদবা মীওই মিল্লিয়ন কয়াদা য়েন অমদি ওক লোয়হন্দুনা মশা মশাগী শিনফম পীবগী থবক চথরমখি।

অদুমওইনমক মহাক্কী মথক্তা গর্ভর্ণমেন্টকী মায়োক্তগী করপসনগা মরী লৈনবা কেস কয়া চার্জ তৌরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা ঈহৌ হৌনবা হোৎনরমখি হায়বগী মরালদা মহাকপু ফাজিনখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা সনগী লোয়রনা ফোঙদোকখিবদা ঙসিগী হিয়ারিং অদুদা লিগেল গাইদলাইনশিং ঙাকখিদবগা লোয়ননা লৈঙাক্লা সনবু নম্ফুদা মরাল পীশিন্দুনা জেলদা থাজিন্নবা হোৎনখি। মসি য়াম্না লাইবকথিবা থৌওং অমনি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৩ দসু নীয়ম লান্না ফন্দ খোমগৎলম্মী হায়বগী মরালদা সনবু থা খরগী মরালদা জেল ফাদোক পীবগী থৌদোকসু থোকখ্রে। ঙসিগী কোর্ট অদুনা সনবু চহী ১৮ ফাদোকপীখিবতা নত্তনা দোল্লর ৪,৭৫,০০০ সুফাইন থিহনখি হায়রি।

## যুমথংনরিবা অফারদগী চঙশিল্লকখিবা মিলিসিয়াশিংনা অমাং-অতা থোকহনখ্রে



অদিস অবাবা, জুলাই ২৮ (এজেন্সী) :
ইথিয়োপিয়াগী সোমালি রিজনদা লৈবা লোকেল গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না যুমথংনরিবা অফারদগী চঙশিল্লকখিবা মিলিসিয়া কয়ানা গেদামাইতু টাউনদা চাওনা অমাং অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদগী লুট তৌখ্রে হায়রি।

অফার রিজনদগী চঙশিল্লকপা মিলিসিয়াশিংনা যুমথংনরিবা সোমালিগী শরুকশিংদা হেক হেক অকায় অতেই থোকহন্দুনা লাক্লি। টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্টকসু অফারদা লৈরিবা মিলিসিয়াশিংগা য়াম্না কন্না মুক্নবগী থৌদোকশিং থোকপা লৈখ্রবনি।

সোমালি রিজনদা লৈবা গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা ইথিয়োপিয়াগী নোংপোক থংবা ঙমখৈ শরুক্তগী হৌরগা খা তম্না চৎলিবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা অফার মিলিসিয়াশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া ওৎ নৈবগী থবকশিং চথ্থরি। মসিনা মরম ওইরগা মফমদুগী মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা চত্তুনা লৈনখ্রে। লৈহৌরিবা খরা অদুসু মিলিসিয়াশিং অসিনা লুট তৌবদগী খাঙবা ঙমদ্রদুনা মফম অদু থাদোক্লগা চৎনবগীদমক শেম শাবা হৌনখ্রবনি।

অফার মিলিসিয়াশিংনা লুট তৌনবা চথ্থরকখিবা থবক থৌওংশিং অদুবু থিংনবা হোৎনরুবা খুঞ্জাশিংগী মথক্তা তাথি তাওইনা তৌরম্বদগী খুঞ্জা ১০০ রোম হেন্না অশোক অপন নংখ্রে। অফার গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

অদুমওইনমক য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি বুলেটিনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না গেদামাইতুদা অফারিস অমসুং সোমালিশিং খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা নাকল অনীগী মরক্তা অশোক অপন কয়া থোকখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশোক অপনশিংগী মশীং চপ চানা খঙবদি ঙমদ্রি। গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ওইরিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মায় পাকপা ঙমদ্রি।

সোমালি রিজনগী প্রসিদেন্ট মুসতাফা মহমদ ওমরনা ফোঙদোকখিবদা য়াম্না মরু ওইরিবা মফম অসিদা অফার মিলিসিয়াশিংনা চথ্থরকপা কা হেনবা থবক থৌওংশিংনা মরম ওইরগা ইথিয়োপিয়াদগী পুরক্কদবা পোৎ চৈ কয়া য়ৌরকপা ঙমদনা পন্দুনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা জিবৌটি রেল হাংদোক্লবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

## অজেরি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লান্মী ৩ শিরে, ২ শোক্লে



য়েরেভান, জুলাই ২৮(এজেন্সী) :
অর্মেনিয়া অমসুং অজেরি লৈবাক অনীগী ঙমখৈগী শরুক্তা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোক অমদা খূৎ থোক্লরকপদগী অর্মেনিয়াগী লান্মী ৩ শিখিবগা লোয়ননা অনী অশোক অপন নংখ্রে হায়না অর্মেনিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু নাগোরনো-কারাবাখ রিজনদা থোকখিবনি। মমাং চহীদা নাকল অনীগী মরক্তা চয়োল ৬ শাংনা লাল তৌনখ্রবা মতুং ঙরাংগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অজেরিগী ঙমখৈ শরুক্তা লৈবা কেল বজার রিজনদগী অজেরি ফোর্সশিংনা অর্মেনিয়া ঙমখৈগী শরুক্তা মথৌ তৌরিবা লান্মীশিংদা অথিবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা চৈবা হৌরকখিবনি। মদুগী মতুং অর্মেনিয়াগী ঙমখৈ শরুক্তা ইলিগেল ওইবা মওংদা চঙশিন্নবা হোৎনরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকপা হৌরকখিবনি।

নাকল অনীগী মরক্তা ৱাহৈগী ওইবা খৎনা চৈনবশিং থোক্লিঙৈ মরক্তা খঙহৌদনা অজেরি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী অর্মেনিয়াগী লান্মী ৩ শিখিবগা লোয়ননা ২ অশোক অপন নংখিবনি। খুদক্তা অর্মেনিয়া লান্মীশিংনসু অজেরি ফোর্সশিং তম্না নোংমৈ কাপশিনখি। পুং ৪ রোম খূৎ থোক্লরবা মতুং নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক লেপখিবনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অজেরি ফোর্সশিংগী কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা অজেরবাইজানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখিবদা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখিবা অদু অর্মেনিয়া ফোর্সশিংনা হান্না কেল বজারদা লৈবা অজেরবাইজানি পোষ্টতা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী থোকখিবনি। অর্মেনি ফোর্সনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক অদুদা অর্জেরি লান্মী ৪ অশোক অপন নংখি হায়রি।

রসিয়ানা পুখৎলকখিবা ৱাফম অমগী মতুং ইন্না অজেরবাইজান অমসুং অর্মেনিয়ান ফোর্স অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনখিবনি। অদুমওইনমক সিজফায়রগী চৎনা কাঙলোন ৱাংমদা অর্মেনি ফোর্সশিংনা লেপ্পা লৈতনা মোটারশিং কাপশিল্লক্তুনা এটেক চথ্থরকপগী থৌদোকশিং চঠৈ হায়রি।

## পাকিষ্টানদা মশক খঙদবা খূৎলাই পায়বশিংনা চাইনিজ নেসনল ১ নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্লে



করাচি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী) :
পাকিস্তানগী করাচিদা ঙসি মশক খঙদবা মীওই খরনা চাইনিজ নেসনল অমদা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা এটেক চথ্থরম্বগী থৌওংদা চাইনিজ অদু শোকখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পাকিষ্টানদা চাইনিজ সিটিজনশিংদা টর্গেট তৌরগা এটেক চথবগী থৌওংশিং য়াম্না তোয়না থোক্তুনা লাক্লি। লোকেল পুলিসনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা মাস্ক উপ্পা মীওই ২ না মোটোর বাইকতা লাক্লগা চাইনিজ নেসনল অনী তোংদুনা লাকখিবা কার অমদা নোংমৈ কাপশিল্লমখিবনি। মখোয় অনী সিটি অদুদা লৈবা ফেক্তরি অমদা থবক তৌবা মীওই ঙাক্তনি।

থৌদোক্তুদা চাইনিজ সিটিজন অমা নোংমৈনা পানদবগী শোকখি। অদুমওইনমক মহাক হৌজিক খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে হায়না করাচি সার্উর্দন দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস চীফ জাবেদ অকবর রিয়াজনা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অসিগী মতাংদসু চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় ঝাও লিজিয়াননা কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা চাইনানা পাকিষ্টানদা হৌজিক হৌজিক চাইনিজ নেসনলশিংগী মথক্তা টর্গেট তৌদুনা এটেক চথবগী থৌওংশিং অসিগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না ঝাওনা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অসি পাকিষ্টান লৈঙাক্লসু তরাইনা লৌফম থোক্তে অমদি মতুং তারকপদা চাইনিজ নেসনলশিংবু চেকশিন্না ঙাক শেন্নবগীদমক পাকিষ্টাননা তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিং পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

## লোকদাউন চয়োল ৪ শাংদোকখ্রে

সিদনি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি অমা ওইরিবা মেলবোর্ননদা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা থল্লম্বা অথিংবশিং কোমথোকপা হৌখ্রবসু লৈবাক অসিগী অচৌবা সিটি সিদনিদদি লায়না লাইচৎ অসি মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রিবনা মরম ওইরগা লোকদাউনগী মতম চয়োল ৪ অমুক হন্না শাংদোকখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ন্যু সাউথ ৱেলস ষ্টেটকী প্রেমিয়র গ্লেদিস বেরেজিকলিয়ননা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না সিদনিদা ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই ১২ দা দেলটা ভেরিয়েন্টনা নাহল্লম্বা থেংনখ্রবা মতুং লোকদাউনগী মতম অমুক হন্না শাংদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। লোকদাউন মনুংদা সিদনিদা লৈরিবা মীওইশিংগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং মরী লৈনবশিংনা ফঙহন্নবা হোৎনরি হায়রি।

## ‘অফগান মনুংগী ৱাথোক য়ু এসনা থোকহনবনি’

ইস্লামাবাদ, জুলাই ২৮ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা হৌজিক হৌজিক তংদু লৈতাদবগী থৌদোক অমা থোক্লিবা অসি য়ু এসনা মতম চানা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খত্তবনা মরম ওইরগা ওইরকখিবা ফীভমনি হায়না পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা ফোঙদোকপগা লোয়ননা হৌখিবা কুমজা ২০০১ দা অমেরিকানশিংনা অফঘানদা য়েংখিবা মীৎয়েং অদুনা ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌরকখিবনি হায়না মরাল শীরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অফঘানিষ্টানদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি লোয়শিন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি পোলিটিকেলগী থাক্তা ৱারী শান্নদুনা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপনি। অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি য়ু এসকা ৱারী শান্নরগা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লোই। টালিবান য়াওনা ৱারী শান্নদুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনগদবনি।

টালিবানগা য়ানখিবগী মতুং ইন্না য়ু এস অমসুং নেটো এলাইদ ফোর্সশিং লৈবাক অসিদগী লৌথোকপা হৌখ্রে। টলিবানগী মায়কৈদগীসু অফঘানিষ্টানদা অতোপ্পা লালহৌবশিংনা ওপরেট তৌহল্লোয় হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। টালিবানগী ৱাফম অদু তারবা মতুং য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা অমেরিকান ক্রুপ খুদিংমক ওগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অদুদগী লৌথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। অদুবু অফঘান মনুংদা থোক্লিবা ৱাথোক অদু মিলিটরিগী মতেংনা লোয়শিনবা ঙমগনি হায়বা ৱাখল্লোনদা য়ু এসনা থবক পায়খৎলম্বনা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অসি লাকখিবনি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 195,942,290 | +578,338 | 4,192,370 | +9,473 | 177,635,777 | 14,114,143 |
| 1 | USA | 35,353,923 | +61,581 | 627,351 | +339 | 29,571,434 | 5,155,138 |
| 2 | India | 31,483,411 | +42,928 | 422,054 | +640 | 30,655,390 | 405,967 |
| 3 | Brazil | 19,749,073 | +41,411 | 551,906 | +1,320 | 18,466,822 | 730,345 |
| 4 | Russia | 6,172,812 | +23,032 | 155,380 | +779 | 5,526,950 | 490,482 |
| 5 | France | 6,026,115 | +26,871 | 111,695 | +28 | 5,682,998 | 231,422 |
| 6 | UK | 5,745,526 | +23,511 | 129,303 | +131 | 4,470,224 | 1,145,999 |
| 7 | Turkey | 5,638,178 | +19,761 | 51,048 | +51 | 5,433,841 | 153,289 |
| 8 | Argentina | 4,875,927 | +16,757 | 104,352 | +247 | 4,519,922 | 251,653 |
| 9 | Colombia | 4,747,775 | +11,426 | 119,482 | +300 | 4,526,917 | 101,376 |
| 10 | Spain | 4,368,453 | +26,399 | 81,323 | +55 | 3,701,195 | 585,935 |
| 11 | Italy | 4,325,046 | +4,522 | 127,995 | +24 | 4,126,741 | 70,310 |
| 12 | Germany | 3,766,482 | +2,063 | 92,078 | +28 | 3,647,700 | 26,704 |
| 13 | Iran | 3,758,197 | +34,951 | 89,479 | +357 | 3,291,979 | 376,739 |
| 14 | Indonesia | 3,239,936 | +45,203 | 86,835 | +2,069 | 2,596,820 | 556,281 |
| 15 | Poland | 2,882,327 | +106 | 75,249 | +7 | 2,653,407 | 153,671 |
| 16 | Mexico | 2,754,438 | +5,920 | 238,595 | +171 | 2,160,130 | 355,713 |
| 17 | South Africa | 2,391,223 | +7,733 | 70,388 | +370 | 2,180,494 | 140,341 |
| 18 | Ukraine | 2,249,344 | +681 | 52,876 | +27 | 2,184,880 | 11,588 |
| 19 | Peru | 2,106,371 | +1,366 | 196,058 | +85 | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,851,329 | +3,957 | 17,804 | +3 | 1,665,470 | 168,055 |
| 21 | Czechia | 1,672,765 | +204 | 30,362 | | 1,639,677 | 2,726 |
| 22 | Chile | 1,611,090 | +745 | 35,151 | +32 | 1,566,138 | 9,801 |
| 23 | Iraq | 1,577,013 | +12,185 | 18,418 | +71 | 1,429,542 | 129,053 |
| 24 | Philippines | 1,562,189 | +6,955 | 27,317 | +71 | 1,478,565 | 56,307 |
| 25 | Canada | 1,427,917 | +547 | 26,560 | +7 | 1,396,192 | 5,165 |
| 26 | Bangladesh | 1,194,752 | +14,925 | 19,779 | +258 | 1,022,414 | 152,559 |
| 27 | Belgium | 1,117,697 | +1,340 | 25,228 | +3 | 1,058,072 | 34,397 |
| 28 | Sweden | 1,098,154 | | 14,617 | | 1,074,780 | 8,757 |
| 29 | Romania | 1,082,551 | +175 | 34,273 | +3 | 1,047,388 | 890 |
| 30 | Malaysia | 1,044,071 | +16,117 | 8,408 | +207 | 865,439 | 170,224 |
| 31 | Pakistan | 1,011,708 | +3,262 | 23,087 | +39 | 928,722 | 59,899 |
| 32 | Portugal | 956,985 | +2,316 | 17,307 | +6 | 888,423 | 51,255 |
| 33 | Japan | 875,193 | +4,379 | 15,137 | +8 | 820,138 | 39,918 |
| 34 | Israel | 864,912 | +2,195 | 6,461 | | 844,601 | 13,850 |
| 35 | Hungary | 809,288 | +26 | 30,021 | +1 | 746,219 | 33,048 |
| 36 | Jordan | 767,327 | +1,213 | 9,979 | +8 | 748,312 | 9,036 |
| 37 | Serbia | 720,643 | +290 | 7,108 | +3 | 710,188 | 3,347 |
| 38 | Switzerland | 715,267 | +853 | 10,903 | | 691,605 | 12,759 |
| 39 | Nepal | 685,673 | +2,726 | 9,758 | +20 | 647,079 | 28,836 |
| 40 | UAE | 674,724 | +1,539 | 1,929 | +2 | 652,180 | 20,615 |
| 41 | Austria | 656,949 | +367 | 10,737 | +5 | 641,541 | 4,671 |
| 42 | Morocco | 588,448 | +6,971 | 9,638 | +27 | 549,116 | 29,694 |
| 43 | Tunisia | 575,002 | +1,608 | 18,968 | +164 | 479,032 | 77,002 |
| 44 | Lebanon | 557,145 | +1,502 | 7,895 | +1 | 536,559 | 12,691 |
| 45 | Kazakhstan | 542,703 | +6,797 | 5,538 | +86 | 452,002 | 85,163 |
| 46 | Thailand | 526,828 | +14,150 | 4,264 | +118 | 350,643 | 171,921 |
| 47 | Saudi Arabia | 520,774 | +1,379 | 8,189 | +10 | 501,449 | 11,136 |
| 48 | Greece | 482,145 | +3,593 | 12,887 | +8 | 437,633 | 31,625 |
| 49 | Ecuador | 480,720 | | 30,797 | | 443,880 | 6,043 |
| 50 | Bolivia | 469,182 | +759 | 17,672 | +21 | 402,031 | 49,479 |

## কোরোনাভাইরস মায়োক য়াবদা মতেং পীনবগীদমক ম্যান্মারনা হায়জরক্লি

য়াঙোন, জুলাই ২৮ (এজেন্সী) :
ম্যান্মারদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা অচৌবা চৈথেং পীরক্লিবা অসিবু মায়োক য়ানবা হোৎনবদা মতেং পীরক্নবগীদমক জুন্টা ওথোরিটিনা ইন্তরনেসনল কম্যুনিটিশিংদা হায়জখ্রে হায়না ষ্টেট মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদগী লৈবাক অসিদা মিলিটরি লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং তংদু লৈতাদবগী থৌদোক কয়া থোক্তুনা লাক্লি। মেদিকেল ষ্টাফশিংনসু মিলিটরিগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামগী খোঙজংদা শরুক য়াশিনখিবদগী লায়না লাইচৎ অসি মায়োক য়ানবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা হোস্পিটালগী ইক্কুইপমেন্টসু মতিক চাদনবা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

মিলিটরি জুন্টানা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়ামশিং যুমদগী মপান থোক্তনবা ওর্দর তৌখ্রবসু থবক্তা মপুং ফানা ওন্থোকপা ঙমদ্রি। মশীং য়াল্লবা মীয়ামশিংনা কোভিদ-১৯ গী অকিববু থাদোক্লল্লগা মিলিটরগী জুন্টাগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা অথুবা মতমদা লাকহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা মুক্নবগী থৌদোক কয়ারক হন্না থোকখ্রে। থৌদোকশিং অদুনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ৯০০ লোম শিখ্রে। অদুগা কয়া অমনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে। অমরোমদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা লৈহনখিদ্রবা মীওইশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী থবক লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মরী মতাগী থবক ওইরি।

মীওই মিল্লিয়ন ৫৪ রোম লৈরিবা লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ১.৭৫ তগী হেন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপত্রি। লৈবাক অসিদা ভেক্সিনগী অৱাৎপা কয়া লৈবনা মরম ওইরগা মিলিটরি জুন্টানা ইন্তরনেস্নল কম্যুনিটিশিংদগী মতেং নিবা হৌরকখিবনি। যুমথংনরিবা চাইনানসু সিনোফাম দোজ খরা অহানবগী ওইনা ম্যান্মারদা মতেং পীবা হৌখ্রে। চহী অসিগী অঙনবা মতমদসু ইন্দিয়ানা ম্যান্মারদা কোভিদ ভেক্সিন মিল্লিয়ন দোজ ১.৫ পীদুনা মতেং পাংবা লৈখ্রবনি।

## টেক্সাস কেমিকেল প্লান্ট লীক ওইরকপদগী মীওই ২ শিরে কয়া শোক্লে



টেক্সাস, জুলাই ২৮ (এজেন্সী) :
য়ু এস ষ্টেট ওফ টেক্সাসকী লা পোর্টেদা লৈবা কেমিকেল প্লান্ট অমা লীক ওইরকপগী থৌদোক্তা মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না কম্পনি ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা শোক্লবশিং খুদক্তা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে হায়রি।

কম্পনিগী ৱাঙাঙলোয় কেভালিয়র গ্রেনা ফোঙদোকখিবদা হ্যুসটন সিটি মনাক নক্লা লৈবা লা পোর্টে কমপ্লেক্সতা লৈবা য়োনদেল বেসেল ফেসিলিটিদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। য়োনদেল বেসেল অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা প্লাষ্টিক, কেমিকেল অমসুং রিফাইনিংগী কম্পনি অমনি। প্লান্ট লীক ওইরকপগী থৌওং অদুদা এসিটিক এসিদ চেন্থোরকপদগী মীশি মীনাগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক থোকপগী পাউ হেক ফংবগা হেরিস কাউন্টি ফায়র মার্সেলগী টিমসু মফমদুদা থুংলখি। মদুগী মতুং মীওই কয়া অশোক অপন নংখি হায়বা খঙবা ঙল্লকখিবনি। হেরিস কাউন্টিগী ফায়র মার্সেল লোরি কৃষ্টেনসেননা ফোঙদোকখিবদা শোক্লবশিং অদুগী মনুংদা অমদি এয়রসার্ভিসকী মতেংগা লোয়ননা খুদক্কী ওইনা হোস্পিটালদা পুখি অমদি ৪ না এম্বুলেন্সতা পুখৎখিবনি। মখোয় ৫ গী ফীভম লুনা লৈরি।

## থবক মফমদগী ময়ূমদা হল্লকপা মীওই অমা ইজরেলি ফোর্সনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে



জেরুসালম, জুলাই ২৮ (এজেন্সী) :
ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা ঙসি থবক মফমদগী ময়ূম তম্না হল্লকখিবা মশাগী চহী ৪১ রোম শুরবা নুপা অমা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পেলিষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মফম অদুদা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখিবসু লৈতে হায়রি।

সাদি ওমার লোটফি সালিম বৈতা খুঙ্গংদা লৈবা মহাক্কী ময়ুম তম্না থবক মফমদগী হল্লকপদা লম্বীদা লৈরম্বা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মরম অমত্তা পীদনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। মহাক হাৎখিবগী থৌওং অসি হান্না প্লান তৌদুনা চথখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না দিপ্যুটি মেয়রনা ফোঙদোরক্লি।

লোকেল পেলিষ্টিনিয়ন ন্যুজ এজেন্সি মানগী রিপোর্ট মতুং ইন্নসু ইজরি আর্মীনা সালিমবু এম্বুস তৌদুনা হাৎখিবনি। মহাক্লা হল্লকপগী লম্বীদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা ইজরেলি আর্মীশিংনা লালহৌবা থিবগী নামাদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক চথখিবগা লোয়ননা মহাকপু কাপ্তুনা হাৎখিবনি। অসিগুম্বা থবক থৌওংশিং অসি ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুকশিংদা য়াম্না তোয়না থোক্লি। মসি মালেমগী লৈবাকশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থিবগী মতম ওইরে হায়রি।

অমরোমদা ইজরেলি আর্মীনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুদা থক্লবা ঈশিং ফংদগী মতাংদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকহনখিবা অদুদা লৈখিদ্রবা সালিমগী অচৌবা খূৎ য়াওই হায়না মরাল শীরক্লি। ইজরেলি আর্মীশিংনা হান্নগুম্না চাং নাইনা চথ্থরকখিবা পেট্রোলিং অমদা বৈতাগী মতোন থংবা শরুক্তা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা সালিম থেংনখিবনি। মহাক্লা সিক্যুরিটি ফোর্স তম্না এটেক চথনবা হোৎনরকপদগী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। মহাকপু নোংমৈনা কাপত্রিঙৈগী মমাংদা পেলিষ্টিনিয়ন কয়ানা ইজরেল ফোর্সশিংগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকপগা লোয়ননা মখুত্তা য়োৎচৈ পায়বা প্রোটেষ্টর কয়ানা সিক্যুরিটি ফোর্স তম্না এটেক চথনবা হোৎনখি। লৈখিদ্রবা সালিমনসু হায়রিবা অদুগা মান্ননা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক চথনবা হোৎনরকপদগী তঙাইফদনা নোংমৈ কাপ্পবা ওর্দর তৌখিবনি।

অহানবগী ওইনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংথক্তা ব্লেঙ্ক ফায়র তৌখি। অদুবু মীয়াম অদুগী খোঙজং হনবা লৈতবনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা লাইফ রাউন্দশিং কাপ্পা হৌখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মীয়াম্না পেন্দবা কয়া লৈরিবা অদু কোকহন্নবগীদমক ইনক্কারি চথবা হৌরগনি হায়না ইজরেল আর্মীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। সালিমবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী পাউ হেক ফংবগা মশীং য়াল্লবা প্রোটেষ্টরশিংনা বাইতাদা অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিনখ্রে। থৌদোক অদুদসু ইজরেলি আর্মী অমদি প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখি। মদুদা পেলিষ্টিনিয়ন প্রোটেষ্টর ১০৬ শোকখি হায়না রেদ কৃসেন্টগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা থা খরা অসিদা বৈতাদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা লাক্লি।